**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 20-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মীয়ামগী ইরাং লাকশিন্নবা নুমিৎ হুমি চুপা লেপ্তুনা করফিউ থমজিল্লকখিবা অদু ঙসিগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি।

২) মহারাষ্ট্র অমসুং ঝারখন্দ বিধান সভাগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক থাদনরি।

অমসুং

৩) জি-ত্বেন্তিগী মীফম য়াওবা লোইরবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী গায়ানা খোঙচৎ হৌখ্রে।

**------**

করফিউ (এল)ঃ জিরিবামদগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ ফাখ্রগা হাৎতোক্লম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়ামা অকনবা ইহৌ চংশিল্লকপদগী নুমিৎ হুমি চুপা লেপ্তুনা করফিউ থমজিল্লকখিবা অদু ঙসিদগী খরা কোমথোকপা হৌরে।

ঐখোয়গী পাউমীনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী পাউ পল্লদুনা হায়-তম্পাক্কী জিলাশিং ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাদা ঙসিগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ১০ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি। করফিউ কোমথোক্লিৰৈঙে মনুংদা ইম্ফালগী মরুওইবা কৈথেলশিংদা

মীয়ামা পোৎ চৈ লৈবা লাকরি। অমরোমদা, মহৈলোইশঙশিংদি ঙসিসু মখা তানা ছুতি ওইখিগনি হায়না সরকারনা লাউথোকখ্রে।

এদুকেসন (এস) কী দিরেক্তর-এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈবা সরকার, এদেদ, প্রাইভেট অমদি সেন্ত্রেল স্কুলশিং ঙসি ছুতি ওইরগনি।

রাজ্য সরকারগী হয়র এন্দ টেকিকেল এদ্যুকেসননা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সরকারগী ইন্সটিট্যুটশিং, এদেদ কলেজ, হয়র অমসুং টেকিকেল এদুকেসন দিপার্টমেন্টশিং অমদি য়ুনিভরসিতিশিংসু ঙসি ছুতি ওইগনি।

জিরি (এল)ঃ  নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গাড়িশিং ঙসি অয়ুক অঙনবদগী সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা লাকপা হৌখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- গাড়িশিং অদুগী মনুংদা থাউ অমসুং এল.পি.জি পুবা গাড়ি ১৫, অতৈ তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৫ য়াওনা পুন্না গাড়ি ৫০ রোমনি।

মরক অসিদা ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়-জিরিবামলোমদগী ঙরাং থোরকখিবা মাল পুবা গাড়ি ৫০ হেন্না ঙরাং নুমিৎদাং নোনে চ্যেক পোষ্টতা থুংলরে। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা ওইল টেঙ্কর, এল.পি.জি পুবা গাড়িশিং, সিমেন্ট অমসুং অতৈ তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়িশিং য়াওরি। গাড়িশিং অদু সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা হৌজিক অয়ুক ইম্ফাল তমা চৎলগনি হায়রি।

মীখল ঃ  মহারাষ্ট্র অমসুং ঝারখন্দ বিধান সভাগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক থাদনরি।

মহারাষ্ট্রদা ভোৎ থাদনবা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী হৌখি।

নুংথিল পুং ৬ তা ভোৎ থাদনবা লোইশিনগনি। ঝারখন্দগী ওইনসু অয়ুক পুং ৭ তগী ভোৎ থাদনবা হৌখি, নুংথিল পুং ৫ দা ভোৎ থাদনবা লোইশিনগনি। অদুমওইনমক, ইরাং থোকনবা পোল্লিং ষ্টেসন খরদদি নুংথিল পুং ৪ দা ভোৎ থাদনবা লোইনশিনগনি।

তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোক্লিবা মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখল অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ২৮৮ দা ভোৎ থাদনরি। মীরেপ লিশিং ৪,১৩৬ না মীখল অসিদা লম্বা তৌনরি। মসিগী মনুংদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ লিশিং ২,০৮৬ য়াওরি। মহারাষ্ট্রগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার এস. চৌকালিংগমনা হায়- মীখল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১,০০৪২৭তা পোল্লিং পার্সোনেল লাখ ৫ রোমনা মথৌ তৌরি।

ঝারখন্দ বিধান সভাগী অনিসুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা জিলা ১২ দা লৈবা বিধান সভা কেন্দ্র ৩৮ দা ভোৎ থাদনরি। মীখল অসিদা পুন্না মীরেপ ৫২৮ না লম্বা তৌনরি। ঝারখন্দগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার কে. রবিকুমারনা, ভোতরশিংনা অকি তুজংবা য়াওদনা নীংতমা অপাম্বা মীরেপতা ভোৎ থাদনবা আপীল তৌখ্রে।

মহারাস্ত্রগী নানদের পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, কেরলা অমসুং উত্তরাখন্দগী বিধান সভা কেন্দ্র ১৫ গী মরক্কী মীখলগী ভোৎসু হৌজিক থাদনরি।

ভোৎ মশিং লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা থীগনি।

পিএম ঃ ব্রাজিলগী রিও-দি-জেনেরোদা পাঙথোকপা জি-ত্বেন্তিগী মীফম য়াওবা লোইরবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী গায়ানা খোঙচৎ হৌখ্রে।

কুমজা ১৯৬৮ গী মতুংদা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি অমনা গায়ানাদা চৎপা শ্রী মোদিনা ওইরে। প্রধান মন্ত্রিনা গায়ানাগী রাষ্ট্রপতি ডাঃ মুহামদ ইরফান

আলিগা জোর্জ টাউনদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা য়াওনা লম কয়াদা ৱারী শান্নরক্কনি। মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা অনিসুবা কেরিকোম ইন্দিয়া সম্মিৎতসু প্রধান মন্ত্রিনা শরুক য়াগনি। শ্রী মোদি কেরিকোমগী সদস্য লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। প্রধান মন্ত্রি গায়ানাগী পার্লিয়ামেন্টতসু ৱা ঙাংগনি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

ফিলম ঃ ৫৫ শুবা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া (ইফি) ঙসিদগী গোৱাদা হৌরগনি। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২৮ ফাওবা চত্থগনি। গোৱাগী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ প্রমোদ সাৱন্না ঙরাং ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোক্কদৌরিবা ডাঃ শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি ষ্টেদিয়মদা চত্তুনা ফেষ্টিভেল অসিগীদমক শেম শারিবশিং হন্না য়েংশিনখ্রে।

ডাঃ সাৱন্না ঐখোয়গী পাউমীদা হায়- ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকবগীদমক মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি শঞ্জয় জাজ্না হায়- হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অসিদা অনৌবা কয়া হাপচিনদুনা হেন্না মপুংফাবা ফেষ্টিভেল অমা ওইহন্নবা হোৎনরি।

মরক অসিদা, ওল মণিপুর ফিলম মেক্করস এন্দ প্রদ্যুসরস এসোসিয়েসনগী মীওই ৮ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ফিলম ফেষ্টিভেল অসি য়াওননবগীদমক ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

জি-২০ ঃ ব্রাজিলনা প্রসিদেন্সি ওইদুনা পাঙথোকপা ১৯ শুবা জি-ত্বেন্তি সম্মিৎ ঙরাং লোইশিনখ্রে। ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপদি লুলাদা সিলভানা সাউথ আফ্রিকাগী রাষ্ট্রপতি সিলা রামাফোসাদা মথংগী প্রসিদেন্সি খুৎশিন্নখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ব্রাজিলগী রাষ্ট্রপতি লুলাদা সিলভানা মীফম অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরমশিং শিংথাখি। হন্দক্কী মীফম অসিদা চাবা

ফংদবা অমসুং লাইরবশিং থেংননবগীদমক মালেমগী ওইনা এল্লায়েন্স অমা শেম্বা, টেক্স লৌবগী মতাং, ক্লাইমেত চেঞ্জ থেংননবা বাইও ইকোনোমি ফগৎহন্নবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা খন্ন-নৈনখি অমসুং ৱারেপশিং লৌখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জি-ত্বেন্তি মীফম অসি অনিসুবা নুমিৎকী অহানবা সেসনদা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট অমসুং ইনর্জি ত্রান্জিসনগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মমাংগী জি-ত্বেন্তি মীফমদা নিউ দিল্লিদা সদস্য লৈবাকশিংনা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা রিন্যুএবল ইনর্জিগী চাং শরুক অহুম হেনগৎহন্নবা অমসুং ইনর্জি ইফিসিয়েন্সি রেটনা শরুক অনি হেনগৎহন্নবা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং নৌহৌননা নিংশিংখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পি. চিদম্বরমনা থাগৎলকপা কন্ত্রোভরসিয়েল ওইবা পোষ্ট অমনা মণিপুর মৈ হৌনা শাওরে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক্তসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পি. চিদম্বরমনা মীতৈ, নাগা, কুকিগী রিজনেল ওতোনোমি পীরগা মণিপুরদা শান্তি পুরকপা ঙমগনি ফোংদোরকপদা পেন্নদ্রে, চিদম্বরমগী ৱাফম মরনাইনি কংগ্রেস পার্তিগী নত্তে, এক্স একাউন্টতগী ককথৎহনখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সি.এমনা কৌখিবা মীতিংদা লাকখিদবা এন.পি.পিগী এম.এল.এ অনি য়াওনা এম.এল.এ ১১ নোটিশ ইসু তৌখ্রে হায়না মোর্নিং বেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর নিউজ পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

লুপ ১৮ গী অপুনবা ৱার্কিং কমিতি অমা শেমখ্রে, ঙসি মীয়ামা পাক শন্না

ৱাকৎ মীফম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অৱাং নোংপোক ৱার জোন ওইরক্কনি হায়না ইন্টেলিজেন্সনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মীফম য়াওদবা এম.এল.এ ১১ দা চীফ মিনিষ্টরনা নোতিশ থাখ্রে হায়বা পাউনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা মণিপুরগী গী সি.এমনা এম.এল.এ ১১ দা নোতিশ থাখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা কংগ্রেসনা অমিত সাহবু ফম থাদোক্কদবনি হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা কোকোমিনা সরকারনা লৌখিবা ৱারেপ য়াখিদ্রে, পুং ২৪ গী মনুংদা অমুক হন্না রিভিউ তৌ হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- অফস্পাগী মায়োক্তা মীয়ামনা রেল্লি চৎখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- কোন্থৌজম কেন্দ্রগী এম.এল.এ ফম থাদোকপা য়ারোই হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

লান থোক্লিবা মণিপুরগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা অসামগা তাইনবা ঙমখৈ হাইৱে খক নত্তনা অসাম পুলিসনা ভলনরেবল এন্ট্রি পোইন্টশিংনি হায়বা মফমাং সিল তৌশিনখ্রে হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------